# ওলিম্পিক্কী সনাগী মেদল অহুম ফংখিবা শান্নরোয় জিন ক্লাউদ কিল্লী

—লৈশাংথেম অজিৎ—

মমাংঙৈদা গ্রিসতা ওলিম্পিক গেমস পাঙথোকখিবা মতমদা শরুক য়ারিবা শান্নরোয় খুদিংমক অমেচর ওইগদবনি "প্রোফেসনেল" ওইবা য়াদে। গ্রিসতা চৎনরম্বা কাঙলোন অসি হৌজিক্কী মতমগী ওলিম্পিক গেমসতসু অদুমক মখা তানা চৎনরম্মী । মরম অদুনা ওলিম্পিক্তা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংনা মহাক্না শরুক য়ারিবা মশান্না অদুগা মরী লৈননা শেল তানবা য়াদে। অদুবু চৎনবী অসি কুমজা ১৯৮৮ দা সিওলদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমস মতুংদগী হোংখ্রে। ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিনা ফূটবোল শান্নরোয় অমদি বোক্সিংগী শান্নরোয় নত্তনা অতৈ শান্নবগী থৌরমশিংদা শরুক য়াবশিংদি প্রোফেসনেল ওইবা য়ারে হায়বদি মখোয়না শান্নরিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা শেল তানবা য়াহনখ্রে। তৌইগুম্বসুং লৈবাক অমগী ওলিম্পিক ফূটবোল টিমদা প্রোফেসনেলদা খোঙদারবা চহী ২৩ মপূং ফাদ্রিবা শান্নরোয় অহুম অমদি অতোপ্পা প্রোফেসনেল অহুমগা শরুক য়াবা য়াই।

অমেরিকা মচা অভেরি ব্রুন্দেজনা ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট কুমজা ১৯৫২ দগী কুমজা ১৯৭২ ফাওবা ওইবা মতমদদি অমেচরগী চৎনবী অসি য়াম্না চেকশিন্না ঙাক শেল্লি, প্রোফেসনেল হেক য়ারিবা মখৈ ওলিম্পিক্কী ফম্বাক্তা পুশিল্লক্তনবা থৱায় হকচাং য়াওনা হোৎনখিবা নিপানি। মতম অসিদদি হোক্কী ষ্টিক্তা ষ্টিক অদু শারিবা কম্পেনিগী মমিং চাওনা থাবা য়াদে অদুগুম্বা হোক্কী ষ্টিক অদু পায়রগা হোক্কী শান্নবদা শরুক য়াবা য়াহন্দে, অথিংবা থম্মী। মতৌ অসুম্না শান্নবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং হায়বদি ফূটবোল, ফূটবোল বূট, ভোল্লিবোল, উন মথক্তা স্কাটিং তৌবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিং, খোঙউপ, বূট, খোঙদা হাপ্পা অশাংবা স্কি, স্কি তৌবদা পায়নবা চৈ অশাংবশিং, শান্নরোয়শিংগী য়ুনিফোর্ম, ট্রেক সুট, খোঙগ্রাউ অতেনবনচিংবা পোৎ-চৈশিং অসি শারিবা কম্পেনিগী মমিং কা হেন্না চাওনা থাবা শান্নরোয়শিংনা অথোয়-অহেন তান্নবদা শীজিন্নবা য়াদে, চৈরাক ফংহল্লি।

কুমজা ১৯৬৮ দা ফ্রান্সকী সহর গ্রেনোবলদা পাঙথোকখিবা ১০শুবা ৱিন্টর ওলিম্পিক (নিংথমগী ওলিম্পিক) গেমসদা ফ্রান্স মচা জিন ক্লাউদ কিল্লী কৌবা অলপাইন স্কিঙগী থৌরমদা দাউন হিল, স্লালোম অমসুং জিয়েন্ট স্ললোমদা সনাগী মেদল ফংবা ঙমগনি হায়না থাজনরম্মী।

জিন কিল্লীনা থৌরম অহুম অসিদা করিগুম্বদা মায় পাক্লবদি মহাক্কী মমিংদা শান্নবগা মরী লৈননা পোত্থোক কয়া অমুক পুথোক্তুনা মালেমগী শান্নবগী কৈথেলদা শেন্দোং য়াম্না ফংদুনা য়োন্নবগীদমক শেঞ্জাউ পায়বশিংনা শেম শাদুনা লৈনখি। স্কি শাবা, স্কিগী খোঙউপ শাবা, বাইন্দিং শাবা, হেন্দ গ্লোভ শাবা অমদি মশান্না অসিগা মরী লৈনবা পোৎলমশিং শাবা কম্পেনিশিংনা মহাক্কা এদভর্তাইজ তৌবগী খূৎয়েক পীননবা শেম শাদুনা গেমস অসিদা মহাক্কী রিজল্ট ঙাইনখি।



অদুবু ইন্টরনেসনল স্কি ফেদেরেসনগী অয়াবা য়াওরগা চৎনবী কাঙলোন কায়হন্দনা অসিগুম্বা এদভর্তাইজদা মহাক্কী মমিং অমদি ফোটোশিং শীজিন্নবা অসি হান্নদগী অদুমক তৌরক্লি। তৌইগুম্বসুং ইন্টরনেসনল ওলিম্পিক কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অভেরি ব্রুন্দেজদি অসিগুম্বা থবক অসিদা য়াম্না চেকশিনবা নিপানি। মহাক্না স্কি ফেদেরেসনগী মওং অসিমক মপূক্লিংদা য়ানিংদে। ওলিম্পিক পাঙথোক্ত্রিঙৈগী মমাংদা কিল্লীনা ইতালিগী স্কিগী পোল শাবা কম্পেনি অমগা য়ান্নচে অমা ইন্নরম্মী মদুদা ইন্টরনেসনল স্কি ফেদেরেসননা মহাক্কী কন্ট্রেক্ট অদু ''অমেচরিজম''গী কাঙলোন থুগায়রে হায়না পাউতাক পীখি। মদুদা কিল্লীনা পোল অদু শীজিন্নখিদে মরম অদুনা ইটালিগী কম্পেনি অদুনা মহাক্কী মথক্তা ৱাকৎ অমা কোর্টতা থাঙ্গৎনবা খঙহল্লকখি। মরম অদুনা ফ্রান্সকী স্কি ফেদেরেসন অমসুং ফ্রেঞ্চ স্পোর্টস মিনিষ্ট্রিনা ইটালিগী স্কি পোল শারিবা কম্পেনিগা য়ান্নবা অমা পুরক্তুনা ওলিম্পিক মমাংদা ৱারোইশিন অমা লাকখি অমদি য়াল্লবা শেনফম অমা ইটালিগী ফার্ম অদুদা পীখি।

ব্রুন্দেজনা পাল্লিবদি কুমজা ১৯৬৮ দা গ্রেনোবলদা পাঙথোকপা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসদা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নবা স্কিশিংদা ট্রেদ নেমস অমসুং ট্রেদ মার্ক থারিবশিং অদু লৌথোক্কদবনি। ইন্টরনেসনল স্কি ফেদেরেসন, টিম মেনেজরশিং অমদি স্কিগী শান্নরোয়শিংনা মহাক্কী ৱাফম অদু য়ানিংখিদে। মখোয়গী ৱাফমদি অলপাইন স্কিঙগী মশান্না পূম্বা শেল য়াম্না চঙই মরম অদুনা স্কিগী মপোৎ মচৈ শাবা কম্পেনিশিংদগী শেলগী মতেং লৌবা য়াম্না মথৌ তাই হায়না ফোঙদোক্লখি। তৌইগুম্বসুং ওলিম্পিক অদু পাঙথোক্লমদায়দা য়ান্নবা অমা পুরকখি। মদুদি স্কিগী থৌরমশিংদা শরুক য়াবা শান্নরোয়শিংনা শীজিন্নরিবা স্কিশিং অদুদা স্কিশিং অদুবু শারিবা কম্পেনিগী ট্রেদ নেমস অমসুং ট্রেদ মার্ক হাপ্পা য়াগনি। অদুবু ফোটো নমগদবা মতমদদি কম্পেনিগী ট্রেদ নেমস অমসুং ট্রেদ মার্ক হাপ্পা য়ারোই লৌথোক্কদবনি।

কুমজা ১৯৬৮ গী ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমস অদুদা নুপাগী থৌরমদা দাউনহিলগী ফাইনেল সেপ্টেম্বর ২ দা পাঙথোকখিবদা জিন ক্লাউদ কিল্লীনা মহাক্কী মরূপ অতোপ্পা ফ্রান্স মচা গেয় পেরিল্লেট কৌবা অমগা অকনবা লম্বা তৌনরম্মী। মদুদা জিন ক্লাউদ কিল্লীনা মকোক ওইখি অমদি মহাক্কী মতুংনা নক্না ইন্নরক্তুনা গেয় পেরিল্লেটনা অনীশুবা তাখি। মকোক ওইখিবা জিন কিল্লীগী রেকোর্দ পুং ১ মিনিট ৫৯ সেকেন্দ ৮৫ ওইবা মতমদা অনীশুবা তাখিবা গেয় পেরিল্লেটকী মতম পুং ১ মিনিট ৫৯ সেকেন্দ ৯৩ ওইরম্মী।

জিন ক্লাউদ কিল্লীনা লমথুংফম হেক য়ৌবগা মহাক্কী মরূপ অমসুং এদভাইজর ওইরিবা মাইচেল অরপিন চেনশিল্লক্তুনা কিল্লী হরাউনা কোল্লম্মী। মদুদা লমথুংফমদা লৈরিবা ফোটো নম্বশিং অদুনা মখোয় অনী কোনশিন্নবগী ফোটো কয়া অমুক নমখি। মাইচেল অরপিননা লিৎলিবা ফুরিৎ অদুগী মনঙ্গন্দা হায়বদি ফুরিৎ অদুগী মতুং থংবা শরুক্তা "দাইনামিক" হায়বা ৱাহৈ অসি চাওনা থায় অমদি কম্পেনি অসিগী সিম্বোলসু য়াওই। জিন কিল্লীনা শীজিন্নরিবা স্কি অমদি মখূৎতা উপ্পবা গ্লোভনচিংবা পোৎলমশিং "দাইনামিক" কম্পেনিনা শাবনি। মদুদা পুলিস অমা চঙশিল্লক্তুনা জিন কিল্লীগী মখূৎতগী মহাক্না শীজিন্নরিবা স্কি অদু মুন্দুনা ফাজিনখি। মতম অদুদা মাইচেল অরপিননা পুরকপা স্কি অমা লৌথোক্লগা উন মথক অদুদা য়ুংশিল্লম্মী। মরমদি স্কি অদুগী মতোন্দা য়েক্লিবা "দাইনামিক" কম্পেনিগী সিম্বোল অমদি হঙ্গাম মপান মচুগী লৈই অচৌবা মতেক অনী য়েকপা অদুবু কিল্লীগী মকোক্তা মপা চপ চানা তাদুনা ফোটো নম্বদা সিম্বোল অদু য়াওহন্নবা হোৎনরম্মী অমদি য়াওসু য়াওহনখি।

জিন কিল্লী অমদি মহাক্কী মতুং ইনবশিংনা থৌদোক অসিগীদমক হান্না থৌরাং তৌখি। মহাক্না মায় পাকপা মতমদা মহাক্না শীজিন্নরিবা খূৎলায়শিং অদু শারিবা কম্পেনিশিং অদুগী মমিং থাবা খূৎলায়শিং য়াওরগা ফোটো নম্বা অসি ওলিম্পিক কম্মিটিনা থিংই মদুগীদমক পুলিসনা মহাক্কী স্কি অদু মুনখি।

নুমিৎ হুম্নি লৈরবা মতুংদা মহাক্কী অনীশুবা সনাগী মেদল, মহাক্কী নক্লবা লম্বা অষ্ট্রেয়াগী হরবর্ট হবরবু মায়থীবা পীদুনা জিয়েন্ট স্লালোমগী থৌরমদা মায় পাকখি। মহাক্কী অহুমশুবা ওইনা মায় পাকখিবা স্লালোমগী থৌরমদা চয়েৎনবা খরা থোকখি। হীরম অসিগী ফল লাউথোকপদা কার্ল সক্রনজনা মকোক ওইখি। অদুবু পুং ২গী মতুংদা মহাক গেট অনী লান্থোকখিদে হায়বা খঙখি মরম অদুনা জিন ক্লাউদ কিল্লীনা মকোক ওইদুনা সনাগী মেদল অহুম ফংখি।

# মহৈ তম্বগী হক ফংলিব্রা?

-ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার মীতৈ-

**খুন্নাই** অমা, লমদম অমা, লৈপাক অমা চাওখৎপা হায়বসি লমদম অদুগী মীওইশিং অদুনা লাইরিক লাইশুগী মঙাল নীংথিনা ফংলবকান্দতা চাওখৎপা ঙমগদৌরিবনি। মরম অসিনবু 'রাইট টু এদ্যুকেসন এক্ট' হায়না মালেমগী লৈপাক খুদিংমক্তা থম্নরি অমদি ইন্দুনা চৎনরি। চাওখৎ চাওখৎলবা লৈপাকশিংদা এক্ট অসিবু অদুক্কী মতিক লুনা খন্দুনা এক্ট অসিবু নীংথিনা শোয়বা নাইদনা ইন্নবা হোৎনরি অমদি ইন্নরি। অদুগা হায়রিবা এক্ট অসি ঐখোয়গী ইরমদম কংলৈপাক অমদি ইরমদম অসিগী লোইলম লৈঙাক ওইনা লৈরিবা ইন্দিয়াদদি চিন্দদি পংলাউ লাউরবসু থবক ওইনা চথুবিদবদগী ইন্দিয়াগী খুঙ্গং কয়াদা, টাউন অমদি সিটি কয়াদা, বস অমদি ত্রেন ষ্টেসন খুদিংমক্তা, সোপ্পিং মোল অমদি হোটেল অমদি রেষ্টুরেন্টনচিংবা মফমশিংদা চাকনী ফিনীদুনা অমদি থবক শূদুনা ইমুং মনুং মতেং পাংনবা হোৎনবদা ইন্দিয়াগী রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টকী মরুমদা মহৈ মশীন তম্বগী হক শুংফম ফংদনা লৈরি মশীং থিঙমদ্রবা অঙাং কয়া। মসিনা ইশেং শেংনা তাক্লি মদুদি ইন্দিয়াদা, চিনদা অমদি মিদিয়াদা হায়দোকখ্রগা লোইরে অঙাংশিংনা মখোয়গী মহৈ মশীন তম্বগী হক ফংবা ফংদবা।

হোয় এক্ট অসিবু পাস তৌরিবা পোলিটিসিয়নশিং, ব্যুরোক্রেটশিং অমদি শেঞ্জাও পায়বা অমদি শেল লৈবা ইমুংশিংনা মখোয় মখোয়গী মচা মশুশিংনা নিংথিনা অতাঙ অতাঙবা প্রাইভেট স্কুলশিংদা তমহন্দুনা মী অমমম ওইনবা হোৎনবসি মখোয়গী মথৌনি খন্নরি। তোল্ল-তারবা, শেল লৈজদবা অমদি লায়রবা কয়াগী অঙাংশিংগী পুন্সিবুদি করিসু নাচুংলুদে মখোয় মখোয়গী মচাশিং হৈরগা লোইরে হায়দুনা। কয়াদা ওইজ-ওইথক থিবা অমদি থেল্লবা মখোয়গী ৱাখল্লোননো। মখোয়না কাউরোইদবদি, খুন্নাই অমা, লমদম অমা, লৈপাক অমা চাওখৎহনগে হায়রবদি খুন্নাইদুগী মীপূম খুদিংমক্না অকক্নবা তাঙ্কক অমফাওবগী মহৈগী মঙাল চপ মান্ননা ফংলবা কান্দতা চাওখৎলি হায়বসি। য়েংবীয়ু চাওখৎলবা মালেমগী মফম কয়াদা মীপূম খুদিংমক লাইরিক হৈরিবসে। ইরাপ লাপ্পা চৎলুদ্রবসু ঐহাক ইশামক্না ওজা ওইদুনা লৈজরিবা টাইৱান হায়রিবা ইথৎ অসিদা য়েংসি।

টাইৱানসি মীওই মিল্লিয়ন ২ হায়বদি লাক্ষ ২৩০ মুক লৈবা ইথৎ অমনি। মফম অসিদা অঙাং অমনা ফংফম থোকপা লাইরিক লাইশু তম্বগী হক কনানসু মৎপা অমদি মুনবীবা ঙমদে অদুগা তৌসু তৌনদে। অঙাং অদুগী ইমুং ফনা লায়রসনু, মমিৎ তাংদুনা নৎত্রগা মীগা মীমান্নদ্রবসু মখোয় মখোয়গা চান্নবা অখন্নবা মহৈশঙশিংদা থাদুনা মখোয় শোয়দনা মহৈ তমগদবনি। অঙাং অমগী মহৈ তম্বগী হকপু মৎপীরবদি মীওই অমা হেক্তা ওইসনু মীওই অদু লৈঙাক্কী চৈরাক ফংগনি। খুদম অমা পীরবদা, ইমুং অমনা য়াম্না লায়রৈ হায়দুনসু ইমুং অদুগী মতেং পাঙহন্নবনি হায়দুনা থবক শূহন্দুনা অঙাং অদুগী মহৈ তম্বগী হক মৎপা য়ারোই। করিগুম্বা অঙাং অদুবু মহৈ তম্বা থাদ্রবদি লৈঙাক্না শেল লৌদুনা চৈরাক পীগদৌরিবনি ইমুংদুগী মমা মপাদুবু। অঙাং খুদিংমক্কী মহৈ মশীন তম্বা ফংজনবা হায়দুনা টাইৱান্দা ক্লাস ৱানদগী টুয়েল্ভ ফাওবা কম্পলসরি এদ্যুকেসন হায়না থল্লিবনি। মসি মীপূম খুদিংমক্না ইন্দবা য়াদ্রবা এক্ট অমনি। হায়রিবা মহৈ মতম্বগী হক অসি ঐহাক্কী ইচা মরিমক ফংলি। মতম অসিদা অঙাং অমনা ফংফম থোকপা খুদিংমক অঙাং খুদিংমক্তা চপ মান্ননা লৈঙাক্না পীরিবনি। মসিদা কনাগী মচানো, কদাইৱাইদা লৈবনো, লায়রবা ইমুংদগীরা নৎত্রগা ইনাকখুনবা ইমুংদগীরা হায়বগী ৱাফম অমত্তা লৈতে। অদুগা ইরমদম কংলৈপাক অমদি ইন্দিয়াদদি মসিগী হক অসি অঙাং কয়া, মরুওইনা লৈত-লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপশিংদি ফংবা ঙমদ্রি। পাউচে, রেদিও, টি ভিনচিংবদদি লোইরে ফংদবা অমত্তবু য়াওদে, অদুগা অশেংবদি সোসল মিদিয়াদদি অচুম্বশিংদো লোইনা থোরকই লৈঙাক্না সোসল মিদিয়াবু থিংবা ঙমদবনিনা।

মতমগী মতুং ইন্না, তাঙ্কক কয়াদা তত্তনা তাবা, উবা ফংই অঙাং কয়া মশানা অদুক্কী মতিক পাম্না মহৈ মশীনদি তম্নীংবা অদুগা মহাক্কী ইমুংদুনদি শৌগৎপীবা ঙমদবা। কদাইদবু ঙমগদৌরিবনো? লাইরিক নীংথিনা তল্লে হায়নরিবা মহৈশঙশিং অসিদি মকোক মথং তারবা অঙাংশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু লৈ লৈদুনা তমহনবা প্রাইভেট স্কুলশিংনি। মকোক থাবা ঙমদবা ময়াম অমা তল্লিবদুসু মীমান্নবা হায়দুনা মপা মমাশিংনা ঙম্না ঙম্নবা হোৎনদুনা, চাকখুম মৈ মুৎপফাও য়াওনা তমহন্নরি। অদুবু অসুম্না তৌবা ঙমদবা, নোংমগী চরা অনী শুনা চাবা ফংজদবা ইমুংগী অঙাংশিংদি লাইরিক লাইশু তম্বগী হকসি শুকপী পীদ্রে। মখোয় অসিগীদমক মীওই খরা নত্তনা কনা লৈরিবগে মখোয়গী। অসিগুম্বা অৱা অনা তারবা ইমুং কয়াগী মপাওবু টি ভিগী থোঙদা পুথোকপীদুনা পাউদম্বীরিবা অমদি খঙহনবীরিবা আই এস টি ভিবু য়াম্না থাগৎপা ফোঙদোকচরি। আই এস টি ভিনা হেক পুথোকত্রিমখৈ ঐখোয়সু খঙলুবা, উরুবা ঙমদে অদুগা লৈঙাক্লসু থিজিনলুবা লৈতে। লৈঙাক্তি খঙলবা ফাওবদা তৌগনি-তৌগনি নৎত্রগা মতেং পাংগনি হায়রল্লগা অমুক হন্না লাকখিদবা, তৌবিখিদবনা অয়াম্বনি।

ইন্দিয়া অমদি ইরমদম কংলৈপাক্তদি পংলাউদা লাউথোকই অদুগা থবক্তদি অমত্তা পায়খৎপীদে হায়বদুনি। ইন্দিয়াগী রাইট টু এদ্যুকেসন এক্টকী মতুং ইন্না চহী ১৪ ফাওবগী অঙাং খুদিংমক মহৈ মশীন তম্বদা মতেং পীগনি হায়না হায়রি অদুগা মসিগী তেংবাঙসিনা কনানা ফংলিবা, কনানা ফংদ্রিবা হায়বগী ৱাহং লাক্তবা নত্তে। হায়রিবা হক অসিবু ফংলিব্রা নৎত্রগা ফংদ্রিব্রা হায়না থিজিনফম থোক্তব্রা লৈঙাক্না। তৌবিরোইদবা নৎত্রগা পীবিরোইদবা ওইরবদি হায়রুদবনা হেন্না ফগনি। মীঙোন্দা অৱাংবা অনীংবা পীবিরগা ৱা ঙাকপীদবা, তৌবিদবা হায়বসিনা অতোপ্পবু হেন্না খোইশাওনহল্লি অমদি থম্মোয় শোকহল্লি।

অদুগা অমরোমদনা হৌজিক্না অমুক সেন্ট্রেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ফীভমসিনা কমদৌবা। অসুক কুইনা নুমিৎ মরিফু হেন্না থোঙ লোন্দুনা মহৈ তম্বা শুকয়া য়াদনা লৈরুরবা মহৈকোল অসি নুমিৎ খরনি অমুক নীংথিনা মহৈ তম্বা হৌরুরে অমদি এগজামনচিংবা থাবা হৌনরে হায়দুনা হরাউনরে মীপূম খুদিংমক অদুগা হৌজিক্না অমুক পুমচাই চাইহল্লে। মসিনা অমুক তাক্লি মহৈকোল অসিদা পোলিটিসিয়নশিংনা পোলিটিক্স শান্নবদগী মহৈরোইশিংদি মহৈ তম্বা ফংদ্রে। ঐহাক্কী ৱাখলদদি হায়রিবা অমত্তা ঙাইরবা ইরমদমসিদা লৈরিবা মহৈকোল অসি পোলিটিসিয়নশিংগী মরূম কোকফম ওইরে। অমসু অমসু লাউরি মরমদম নুংশি-নুংশি হায়দুনা। হংজনীংলিবা ৱাফমদি নখোয়না নুংশিরিবসিবু নরমদমগী নরৈচাশিং অসিরা নৎত্রগা নখোয়গী পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি আইদিওলোজি অদুরা? মসি হংদবা য়াদ্রবা ৱাহং অমনি মরমদি কনাগুম্বা মীওই অমগীদমক অসুক য়াম্বা লমদম অসিগী মহৈরোয় অমদি ওজা কয়াবু অৱাফমদা তাহল্লি। ওপোজিসন্দা লৈবা পার্টিদদি মসি তাইনরুবদি য়াররোই অমদি মখোয়না মখূৎতা লৈঙাক্কী পাঙ্গল অমত্তা লৈতে। লৈঙাক্কী পাঙ্গল, হায়বদি পোলিটিকেল পৱারবু হৌজিক হৌজিক পায়রিবা বি জে পি লৈঙাক্না মসিগী ফীভমসি লাকশিনবা, চুমথোকপা নৎত্রগা মহৌশাগী ওইবা ফীভমদা পুরকপা করিগী ঙমদ্রিবনো? ৱাহং অসিগী পাউখুমদি পোলিটিক্স শান্নবদা লৈরে।

প্রোফেসর এ পি পান্দে কনানো, কনাগা মরী লৈনৈ অদুগা মহাক্কী নুপী কনানো, মহাক্কী নুপী করম্বা পোলিটিকেল পার্টিগা নকশিন্না লৈ-লৈতে হায়বসি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মতম অসুক কুইনা মীয়াম্না লাউ খোংদুনা, অশোক অপন য়াওদুনা, চরা হেন্দুনা মতম কয়া অমা মাঙ, থবক কয়া শূবা য়াদনা লৈরক্তুনা মহাক্কী মথক্তা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা লাকখিবা মীওই প্রোফেসর এ পি পান্দে সস্পেন্দ তৌখ্রবসু হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ফীভমসিদদি মহাক্না ঙমদুনা মহাক্না থবক অমুক তৌবগা চপ মান্নে হায়বসু য়ারে। মরমদি মহাক্কী মথক্তা কেস লৌখৎলিবা পূম্নমক হৌজিক্তি কাংখোং চাইহল্লে মহাক্না মরম ওইদুনা। পাল্লিবা লৈঙাক্লবুদি হায়রি কেস অদুগী দোক্যুমেন্ট অমদি চে চাং পূম্নমক সিল তৌরগা থল্লি হায়দুনা। মদুবু মহাক্কী মায়োক্তা লৈরিবা মহৈরোয়শিং, ওজাশিং অমদি মীয়াম্না থাজবা ঙমগদৌরিবা ৱাফমলা। মসিনি হৌজিক য়াম্না ৱানরিবসি, হায়বদি চে চাংশিং অসিবু মেনিপুলেট তৌদুনা, শেমদোক শেমজিন তৌখিদুনা প্রোফেসর এ পি পান্দে অমুক হল্লকদ্রা হায়দুনা। মসি খনফমসু থোকই মরমদি পাল্লিবা ইরমদমগী লৈঙাক্লসু সেন্তরগী মায়োক্তা হায়রুবা ঙমদবনা। অদুবু বি জে পিগী ৱাখল্লোন সেন্ট্রেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা শাগৎনবা হোৎনরি হায়বা ৱাফমসিদি য়াম্না শেংনা খঙবা ঙমদে ঐচ আর দিনা প্রোফেসর এ পি পান্দেগী প্রো ভি সীবু ভি সী ওইনা লৈদুনা থবক হৌনবা হায়রকপসিনা।

নাকল অমরোমদনা, য়াম্না নোক্লিংবা হায়গদ্রা নৎত্রগা শাথিবা হায়গদ্রা হন্দক্তা সেন্ট্রেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটিসিদা অহিংদা পুলিস অমদি আর্মি পার্সনেল কয়া থাজিন্দুনা র‍্যেদ তৌখিবা অসিনি। ইন্দিয়ানা, ষ্টেট লৈঙাক্না লাউরি মহৈ মশীন তম্বা হায়বসি মীপূম খুদিংমক্কী হকনি। অদুনা কুমজা অসুক ফাওবগী মনুংদা চাদা ১০০ লিটরেসি রেট ওইহনগদবনি। মহৈ নীংথিনা তমদনা ইন্দিয়া চাওখৎপা য়ারোই, মণিপুর চাওখৎপা য়ারোই হায়না কোয়লাউ লাউরি মখৌ পোংনা পোংনা। অদুগা মহৈকোল অসিদনা হৌজিক হৌজিক নীংতম্না লাইরিক লাইশু পাবসু য়াহন্দ্রে, মপান থোকপফাওবা য়াদনা মহৈরোয়শিং অসিবু ফাজিন্দুনা থম্বীরি। অদুতা নত্তনা মীপূম খুদিংমকপু, মিনিষ্টর ওইগেরা, ডোক্তর ওইগেরা, এঞ্জিনিয়র ওইগেরা অমা হেক্তা ওইনসু তম্বীরিবা ওজাশিং ফাওবা ফাজিন্দুনা জেলদা থম্বীরি ইরমদমগী থৌনা ফরবা লৈঙাকসিনা। করিগী ফারিনো হায়রগনা হৌজিক্কী ভি সী অসিনা এফ আই আর থারকই হায়দুনা। ভি সী অসিগী মতুং ইন্না মখোয়না লৌতুনবগী, কিদনেপ তৌবগী, এক্সত্রোসন তৌবগী হায়বনচিংবা মরাল ময়াম অমা লৈবনা। অদুবু মসিগী মরাল ময়াম অসিদি শাজিন্নবা মরাল ময়াম অমা ওইরম্লে। মসিগী অশেংবা পাউখুমদি হায়রিবা মরাল ময়াম অসি হৌজিক ভি সী ওইরিবা ওজা অসিনা ইম্পেক্ট টি ভিগী ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খিদে, ইখিদে হায়না ফোঙদোকখিবা থেংনৈ। মহাক্নদি মহাক্কী সিগনেচর পীবা খক্তনি হায়না ফোঙদোরকখি। অদুদি কনানা ইরিবা এফ আই আর অদুনা, পুলিসনা, কনানা হায়জিল্লগা, লৈঙাক্না হায়জিনবা তাবনি। মরমদি মরাল য়াওদ্রদি মীওই অমবু হেক্তা ফাবা য়াদবনিনা। মসি মীয়াম্না খঙলম্লোই হায়না লৈঙাক্না খনবীগনু।

হোয় শাজিন্নবা ওইরো নৎত্রগা অশেংববু ওইরো, অহিংদা নংহৌররোই মতাগুম খূৎ হল্লকপা ঙম্লরোই হায়বগী মতাগুম মহৈকোল অসিদবু হেক্তা অহিং নোংয়াইদা আর্মি, পুলিস ময়াম হুপচিন্দুনা লানফমগুম লালহৌবা য়াওবা মীওইশিং ফাবগুম চথুখিবা থৌদোক্তুদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী য়াম্না খন্থহৌদবা ৱারেপনি হায়না থমজগে। মখোয় লালহৌবমকসু নত্তে, নোংঙাল্লগা ৱাখল তানা লৈরবা মতমদা থিবা য়াদব্রা হায়নরি। ঙম্মী হায়না অসুম্না হেক্তা তৌবদি ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু খোঙনেৎনবনি। মসি য়াম্না চাওখৎতবা, লৈবাকমচা তাদবা অমদি ৱাখল নীংথিনা খন্থবা ঙমদবগী মওংনি।

অসুম্না থৌনা ফনা আর্মি, পুলিস পার্সনেলশিং মহৈকোলসিদা থাজিন্দুনা থিবা হুম্বগুম করিগী ইরৈচা মহৈরোয়শিংনা নুংবাগী লম্বীদা থেংনরকখিবা ইকায়বা, কিহনবা, শিংনবা পীরকপা অমদি ফু চৈরকপা অমদি ঙরাং নহান্তা গাড়ী ২০মুক্তগী লুট তৌদুনা দ্রাইভর ফাওবা ফাজিনলুবা অসিগুম্বা মীওইশিং অসিদদি করিসু তৌবা ঙমদে পাল্লিবা লৈঙাকসিনা অদুগা খূৎলায়সু পায়দবা, লুটসু তৌদবা, মীবুসু ফুরুদবা মহৈরোয়শিং অসিগী লৈফমদনা হেক্তা নম্ফু হাফুদা ঙল্লে মতাগুম ওৎ নৈবসিবু থৌনা ফবা হায়গদৌরিব্রা নৎত্রগা মীকিথি হায়গদৌরিব্রা ঐখোয়গী হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাকসিবু। মহৈরোয়শিংদা অসুম্না তৌবীবগী মহুত্তা হায়রিবা লুট তৌবা অমদি লমখাংদা, হায়ৱেদা থেঙ্খাং থেঙ্খাং মীচমদা অৱাবা পীরিবা মীওইশিং অসিদা থৌনা অদু ফুদোকপীরবদি লমদমসিগী মীয়াম্না কয়াদা থাগৎনগনি পাল্লিবা লৈঙাকসিবু। অদুবু অৱাবদি ওন্না তৈননা থোক্লে। সেন্তরনা হায়রকই হায়দুনবু ইরমদমগী অচুম অরান অমদি লোনচিংবা য়াবা য়াদবা য়েংদনা হেক্তা নম্ফুদা অমত্তা ঙাইরবা লমদম অসিগী মকোক মথং ওইরবা মহৈরোয়শিং অসিগী মহৈকোল অসিদা চথুরিবা ফীভমসি য়াম্না লাল্লি। মফমসিদা পুথোক্লিবা ৱাখল্লোনশিং অসিদি মহৈরোয়শিং অসিবু উশিত্তবনি লৈঙাক্কী থৌওংসি। মসিগী মথক্তা, মহৈকোল অসি লানফমগা চপ হেক মান্ননা থম্বীরে। য়ূমদা মরক মরক্তা থোরকপদা জে এন য়ুদা তম্মীন্নরকপা ওজা ওইদুনা লৈবা ইয়াম্বশিং উন্নবা চঙবদা হঙ্গৌইবা, অকিবা অমা অদুম পোকই ঐখোয়গী সেন্ট্রেল মণিপুর য়ুনিভর্সিটি চঙবসে। ঐখোয়না টাইৱানগী মহৈশঙশিংদা চঙবদা ফাওবা অদুক্কী মতিক ফ্রী ওইনা ফাওজবা অদুগা ইরমদমগী মহৈকোলসিদা চঙবগদি অদুক্কী মতিক খেন্নখ্রে। মসি হোংহনগে হায়রবদি লৈঙাক্কী পোলিসি অমদি পোলিটিকেল ৱিলদা য়াম্না লৈবনি হায়বসি লৈঙাক্না খরা খন্থবীয়ু। তৌগে খল্লবদি লম্বীদি অদুম লাক্কনি। তৌবু তৌরক্লবদি ইরৈচাশিংদি অদুম ইন্নরক্কনি নখোয়না অফবা তৌবদা। পোলিটিকেল পার্টিগী খনবনা হেন্না লুম্বরা নৎত্রগা ইরমদমগী খনবনা হেন্না লুব্রা খন্থবীয়ু লুচিংবশিং। লৈপাক অমা, খুন্নাই অমা চাওখৎপা, ঈংনা-তপ্না হিংহনবা হায়বসি লমদমদুগী মীওইশিংনা মহৈ মশীনগী মঙাল নীংথিনা ফংলবা, ৱাখল নীংথিনা খন্থবা ঙল্লবা কান্দতা ওইথোকপা য়াগনি, ঙমগনি হায়বসি ঐখোয় খুদিংমক কাউফদে।



ঐখোয়গী য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমদি ইংলিস দিপার্টমেন্টকী ওজাশিংগা কাপমিন্নবা মমি অমা

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৮০

১। ১৮৯১দা ফাঁসি তৌখ্রবা ঐখোয়গী অথৌবা অনী, চিরাই নাগা অমদি পুখ্রম্বা ফিঙাং (কাজাউ) অনীগী মিংদা হৌজিক লম্বী অনীগী মমিং থোল্লনি হায়রি।
(ক) চিরাই নাগানা হাৎখিবা সাহেব অদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) কাজাউনা হাৎখিবা মিষ্টর গ্রীমউদকী নুপীদুগী মমিং হায়য়ু।

২। "চীন্নাইদবী মরুপ-ও/ঙাইহাক্তসু ঙাইখো-ও/লমনাইদবা মালংনি।" পরেং অহুম অসি কবি চাউবগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং অদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "শান্নরি পোকপদা ঙায়রিবা নুমিৎনা/তঙাংলবা মখোঙ-মখূৎ কাওরদুনা/লোংখ্রাক লোংনা মফি থোংদনা।" পরেং অহুম অসিনা 'য়েংলু য়েংলুবদা' হায়বা শৈরেং লাইরিক্তগী লৌথোকপনি। কবিদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। ১৯৬৭তা ফোঙবা শৈরেং লাইরিক অমনা অইবীশিংগী ইহান হানবা শৈরেং লাইরিকনি হায়না পানরি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৫। কালকূটকী বাংলা উপন্যাস 'শাম্ব' হায়বদু মণিপুরীদা হন্দোকখ্রে। হন্দোকপদুগী মমিং হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম সেপ্টেম্বর ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল hueiyenliteraryquiz@gmail.com সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।